ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯴, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জুলাই ২৪, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১১৯শুবা মশীং

## ঙম্ন-ঙম্নবা তৌনৌ

### মীয়ামদি করিনুংগীনো হায়বদু য়ৌরবনি

মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী ১১শুবা মীখল পাঙথোক্তুনা মসিগী রিজল্ট লাউথোকখিবদগী হৌরক্লগা হৌজিক হেক ফাওবদা থোক্লিবা পোলিটিকেলগী চরাংনবশিংসি য়াম্মনখ্রে। হৌজিক এসেমব্লি অসিগী মপুন্সি লোইশিল্লক্লবা মতমসি ফাওবদা লোইবা লৈত্রে। ওন্থোক্না য়াম্না থোকখ্রে। মার্চ, ২০১৭তা পাঙথোকখিবা মীখল অদুগী মতুং মার্চ ১৫, ২০১৭তা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লিংবা নুমিৎতুদগী হৌরকখি। কোংগ্রেসকী টিকেটতা কোংগ্রেস পুমশেং-কোন্সেং ওইনা কাজরকখিবা এম এল এ অমা বি জে পিনা লুচিংলক্লিবা লৈঙাকসিদা মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌদুনা ফনা কুইনা মিনিষ্টর ওইরমখি। অদুবু থেংলবসু থেংনা অৱাংবা থাক্কী ৱায়েলশঙ ফাওবা য়ৌনা ৱাকৎনরুবদগী তৌনীং-তৌনীংদা টেন্থ সেদ্যুল্ডগী ট্রাইব্যুনেললনা এম এল এ ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌখি। ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অমা য়াওনা চুংশিন্নবা লৈঙাক্কী মেজর পার্টনরগী য়াওনা এম এল এ ১২ পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইনা হাপচিনখি। য়াদে হায়রবমক্তদা হাপচিনবা য়াহনবগী এক্ট মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক্না শেন্নম্বনি, মখোয়নসু হাপচিল্লম্মী হায়দুনা হেক্তা হাপচিনখি। অদুবু কুইরকপা য়ারক্তবদগী থেঙ্খাং ২ থোক্না রিজাইন অমুক তৌহনখি। অদুবু য়াদবা লৈ, য়াদে হায়না হায়না হাপচিল্লুবনা লোগী মতেং লৌনরকপদগী হৌজিক পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরুবা এম এল এ ১২ অদুগী মনুংদা অমনা রিজাইন তৌখ্রবসু লেমহৌরিবা ১১গী খুজিন্দা য়ুশিল্লকপা তুম হৌজিক ফাওবা শত্তোকপা লোইদ্রি। জুলাই ২৬, ২০২১দা চথরক্কদবা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল ঙাইনরি। কোংগ্রেসতগী এম এল এ খরা বি জে পিগী চাওবোক এম এল এ ওইশিল্লকপদগী ৱারু-নুংজু অমুকসু থোরকখি। হৌজিক্তদা চোংশিল্লকখিবশিংদুদগী খরনা এম এল এ ওইবদগী ফাওবা তোকথোকহল্লগা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা বি জে পিগী মীরেপ ওইহল্লগা অমুক কারকপা য়াওবদগী মিনিষ্টর ওইহনবনচিংবা তৌরগা খরা ঈংথনখিবনি। এন্টি-দিফেক্সন লোগী ৱাংলবা চেকপল লৈরি খঙনা খঙনা চোংলুবশিংগী মরক্তগী অহুম্না তাফম শোয়বদগী হৌজিক লেংবা ওৎপা য়াদনা লৈরিবনি। হায় কোর্টকী ওর্দরদু সুপ্রিম কোর্টতা শীংনরুবদা তূম্লমদাই পাল্লৌবা থোক্লগদ্রা খঞ্জাননা লৈনরিবনি।

মসিনসু লোইদ্রি, জুন, ২০২০দা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা রাজ্য-সভাগী সিটকী মীখল মমাঙদসু ষ্টেটসিগী পোলিটিকেলগী ময়ায় চবুক্তা অকনবা য়ুহা হাখি। বি জে পিগী এম এল এ অহুম রিজাইন তৌখি। পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা ভোট ফংলোই খনবা চাওবোক এম এল এশিংগী মনুংদগী খরা দিসক্কালিফাই তৌখি। ভোট ফংজনি খনবশিংবুনা কনখি। রাজ্য সভাগী মীখলদুদা রুল্লিং পার্টিনা স্পোন্সর তৌবা কেন্দিদেটনা মায় পাকখি। অদুবু মায় পাক্লবা হোৎনবদা শীজিন্নখিবা ভোটরশিংগী মরক্তগী অমদি মশাগী এম এল এ ওইজরকপদু তোকহল্লগা থা ৬কী মিনিষ্টর ফাওবা ওইহনখি। থোকখ্রিবা ইন্টর-পার্টিগী ওইবা মতম-মতমগী থৌদোকশিং অসিগী মথক্তা রুল্লিং পার্টি মশেলগী মরক্তসু খোঙচেপ হাইনরকপা য়াওবদগী হৌদোকমিন্নরকপা মিনিষ্টর খরা শিন্দোক শিঞ্জিন তৌখি। কোলিসন পার্টনরশিংগী মরক্তসু ৱাথোক লাম্থোক কয়া'মসু লৈখি। হৌজিকসু লোইদ্রি। লায়না মখাক, লাইমন মখাক ওইনা জুলাই ২৬, ২০২১গী সুপ্রিম কোর্টনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরুবশিংগী মথক্তা চথরক্কদবা ৱায়েল ঙাইরি। ৱায়েলসিনা বি জে পি অমসুং পার্টনর পার্টি অমগী য়াওনা লৈঙাক্কা চৎমিন্নরিবা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অমগী শ্বর শৎখ্রগদি লৈঙাকসি তুথরক্কদ্রা মিপাইবনা অঙক্ষা পান্বেশিং পুথোক্নরকপদগী ঈরাং মখা শমথরক্লি।

পূম্নমকসি মতম-মতমগী, মাগী মাগী পার্টিনা ঙম্ন-ঙম্নবা তৌনবনি। অমনা ফৈ নৎত্রগা অমনা ফৎত্রে হায়রুবা য়াদ্রি। লৈঙাক খূৎপায়নরিবশিংনা মখোয়গী খূবামনুংদগী লৈঙাক্কী পৱর মাঙখিদনবা হোৎনবনি। লৈঙাক পায়হৌদবা কাঙবুনা লৈঙাক্তু ইন্তুরগা মখোয়না পায়ননবা হোৎনবনি। শুপচিন্না য়েংবদা শুপ্নতগী থবক অনীসিদগী পূম্নমক থোরকপনি। লিশাং শিৎনা চথরক্লিবা দেম্মক্রেসিগী কাঙলোনশিংগী মনুং চনবা লিক্লমদা চেন্থরকপা পোলিটিকেলগী লোইবা নাইদ্রবা ঈচেল ঙাক্তনি। মসি পূম্নমক মীয়াম্না শিৎ-নান্না খঙই। অদুবু হৌজিক্তি মখোয়না ৱায়েনগদবগী মতম খরা খজিক ৱাৎলিবনা চগৌ য়েংদুনা লৈবনি। করিনুংগীনো হায়দুনা ফিদমদগী মীশক্লা লুবা ময়ামসি উদনবা, মখোয়না ঙাঙথোরকপশিং তাদনবা মমিৎ উইশিন্নদুনা, মনাকোং মেনশিন্নদুনা খাঙনরিবনি। অঙম-অঙম্বা তৌনবিয়ু। অদুবু পোলিটিকেলগী মথং মথং চাক্লকখিবা মৈশিংসিগী মৈশানা মৈৱাইখ্রবা মীয়ামগী পূক্লিং ৱাখল অমসুং থম্মোয়দা ফাওখিবা চৈনাশিংদুদি লেম্না মাঙগদবা মান্দে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২২

১) কুমজা ১৯৫৪দা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা *'জাৎ ওনবা'* হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

২) *''থমজরম্লে থৱায়গী থৱায়/পামজবদা পীথোক্লম্লে/শেমজরম্লে তুরেলগী কাওশীং/ঈচেলনুংদা শিন্নরম্লে।/অসি য়ৌনা লাইবকথীরবী/তোর্ব্বান ৱাংমা য়ৌজরগে।''* ঈশৈ শৈরেং মতেকসি কনানা ইবনো অমদি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৩) গ্যানপিথ এৱার্দ ফংলবা গুরদিয়াল সিংহগী *''মারহি দা দীভা''* হায়বা লাইরিকসি মীতৈলোন্দা করি হায়না থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) *''চীংথঙখোম্বা মহারাজ গঙ্গা চৎপা''* হায়বসি কনানা লেংবনো?

৫) কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়দা ইন্টরমেদিএট আর্টসতা তম্নবা অহানবা মণিপুরী শৈরেংগী টেক্স বুক ওইখিবদু করি লাইরিকনো, কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ১৯৯৭তা নোংমা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

ঐ অয়ূক্তগী অদুম য়ূমদগী গাড়ী মচা তোংদুনা থোরক্লে। ইবোক মশা কয়া ঙমহৌদে। অহল লায়নানি। কুইরে ইবোক্না ঙল্লক্তবা। ইবোকপু ঐনা য়াম্না নুংশি।

চাক চানবা চৎপনি ১৯৯৭কী নোংমগী অয়ূক অমদা ঐনা ফি নান্না শেৎলগা থোরকপদু। কেমেরা অমা পুরে। রোল হাপ্পা কেমেরা। চাক চানবা, থবক থৌরম অমা লম কোয়বদা ঐগী মদুগী কেমেরাদু মীয়াম্না তান্নে। লুহোংবদা করিদা ঐগী কেমেরা অদু মরী মতানা কোয়তান তান্নে। পিক্লবা ঐগী কেমেরা অদুগী মপান্না ঐবু মীনা কাউনদে। লূম্না লৌনৈ। মদু খল্লুরগা হৌজিক্তি ইকপু ইকাইরে। ঐগী মোবাইল ফোনগী কেমেরা অসিনা হেন্না ফবা হেল্লি। অদুবু মতমদুদদি ইমান্নবা মরক্তা লৈকায়দা কেমেরা পায়বা ঙম্নদে। ঐ য়াম্না চাউরম্মী।

য়ূমদগী অয়ূক ঙন্না ঐনা থোরক্লগা ইমান্নবশিংগা পূন্দুনা চাক চানবা অমা তৌগদৌরি। মদুগীদমক নুমিৎ কয়ানি কয়ানিগী মমাঙদা হায়নরগা থানবা মফম অদুদা হায়বদি ইতাওবী প্রেমকুমারগী ময়ূমদা চৎপনি। মখোয় লাক্কদ্রা নৎত্রগা লাক্লোইদ্রা হায়বগী পাউ লৌনবা পান্বে লৈতে। লাক্ত্রুদি অদুম লাক্ত্রে। শিখি নাখিবগী লাক্ত্রিবরা নৎত্রগা লম্বীদা লাক্লিবরা নৎত্রগা খুদোংথীবা নংদুনা হোস্পিটাল তম্না হাইগৎখ্রবরা হায়বা ঙমদে। মতম অদুদা ১৯৯৭তুদা কনা অমত্তনা কনা অমত্তগী মরমদা হায়বা ঙমলমদে। রাজেন লাক্তে, মহেশ লাক্তে। সাইকলনা লাক্কদরা, বসতা লাক্কদরা, গাড়ী মচাদা লাক্কদরা হায়বা ঙমদে। লাক্লগা লাক্লে, লাক্ত্রগা অদুম লাক্ত্রে। হংনবা টেলিফোন লৈতে। চাক্কী মীফম অদুসু থা অনী অহুমগী মমাঙদগী শীনখিবা থৌরম অমনি।

ঐখোয়গী লৈকায়দা মতম অদুদা লেন্দ লাইনগী ফোন অমা লৈরম্মী। কোন্না অহুম শুরকখি। ইতাওবী প্রেমকুমার ফোন মপুন্সিদা দাইল তৌদ্রিবা মীশকনি। ময়ূমদা মাগী লৈকায়দা ফোন হায়বা অসি ১৯৯৭তা মঙগা চপ মায়রি। লৈতবদা নত্তনা ইমাইপেম্মা ফোন্নবু করি কান্ননেগা হায়বা মীশকনি। অদুনা মতম অদুদা ফোন হায়বসি পৈশা-নুংশা য়াম পায়বা থবক থনা তৌবা মীনগা পায়বা য়াবা পোৎ ওইনা লৌনরম্মী। কৈসু লৈতবা পোৎ ওইনা লৌনরম্মী।



ঐখোয় ময়াম খরনা শীং খায়বা য়াও, খরা অমনা য়েন শেম্বা য়াও, খরা অমনা চাক থোংগৎলকপা য়াও, ঈশিং শোকপা য়াও, পূংলাঙ হেক লাঙলদনা কয়া নুংঙাইরে। থবক অহানবা তৌবা ঐখোয় নহা পাখং ময়ামনি। ঙাঙনীং ঙাঙনীংবা ঙাঙ, শূক্লোক নোক্লিংদ্রসু ইতাও প্রেমকুমারনা হো অরুন নঙদি পুজারি মান্দা মাল্লে, চাক থোংবা ওইনা অদুম য়াওখ্রো হায়রকপদা ঐখোয় ময়াম হেক্তা ৱা লাউনা নোকই। অরুননা নঙদি করি মাল্লি হায়রকউরা হায়না প্রেমকুমারদা হায়দং হায়রকপদা ঐখোয় ময়াম ৱা হেক্তা নোকই। ৱাঙাঙ খুদিং ৱা-ৱা পঙনোক্তা হেক্তা নোকপনি। কয়াম নুংঙাইখি চাক থোংগৎপা হৌরকপগী মতাং অদো।

ঙাইহাক লৈরগা চাক চাবগী মতাং লাকখি। চারমদাইদা রাজেন থুংলৈ। মঙোন্দগী ইকান কান্নদনা মহেশ ময়াম্না খূৎ হাম্নবা হৌরকপা মতমদা থুংলরে। মবানি থুংলবদা ময়াম ৱা-ৱা নোকই। মবানিনা লাকপা ইহৈ হৈ হায়দুনা। লাকপা হৈতবা কাঙবুনা থোং থাকপা, য়াওদনা খূৎ হান্মগদা চায় হায়দুনা। মবানিনসু হায় অপঙবনা থোংবা চাদৌসি তনখ্রেদা হায়না। মদুদসু ময়াম অদুম ৱাাাা … হেক্তা নোকই। পূংলাঙনি।

চাক চাবা তোল্লগা পুখম তেঙ্কোৎ খিংলগা ঐখোয় ঈশৈ কামথমিন্নে। ঐসু ঈশৈ অনী/অহুম অদুম কামথরে। মদুগী মথক্তা ঐ জগোয়সু ফজনা শাদোক্লে। ময়ামগী ঈশৈদা জগোয়দা ঐসু ৱা-ৱা নোক্লে। ঈশৈ শক্লে। নোক্লে। শেল থারে। ফূরিৎখাও পুমহাঙ হাঙবমখৈ থাদোক্লে ঐসু। শেলবুদি য়াম্না য়াওদে। অদুম্মাইনা নুমিদাংৱাইরমফাও ঐখোয় ময়াম লাঙবা খেবা লোইরে। লাঙবা য়াবা লাঙলম্লে, চাইখাইবা য়াবা চাইখায়রে, মদুদগী হেন্না নুংঙাইবা অমা ঐনা থেংনদ্রি।

ঐনা য়ূম য়ৌরকপদা ইবোক তাইবঙ থাদোক্তুনা চৎলম্লে। পোৎলোইবা লোইরম্লে। অয়ূক ঐনা থোকখিবগা ইবোক লৈত্রে হায়না তম্মী। পাউ হায়ফম লৈতে হায় ঐঙোন্দা। ঐ কদাইদা লৈগেসু খঙদে হায় ১৯৯৭কী মতমদো। নুংশিরবী ইবোক্না পোৎলোইরিঙৈ ঐনা ঈশৈ শক্তুনা লেনখি- ১৯৯৭। মোবাইল ফোন লৈত্রিঙৈ। ●

# নোংম-নোংমগী অসুম …

**নবকুমার ওইনা**

করিগী কিরুদৌরিবনো হায়রগা টোটেল কর্ফিয়ু তৌবা অসিদি কিবগীদুম মাল্লিদরা? কিরোইদবনি হায়রগা কিরকপা হায়বসি ৱাখলদা লাল্লিব্রা, থবক্তা লাল্লকপ্রা য়েংবা য়ারিবনি। ঐবুদি কিবিদে, ময়ামগী ৱানি হায়রক্কদৌরিব্রা? কিদবগীনি হায়গদ্রা, খঙদবগীনি হায়গদ্রা, অখঙবা খরসু শিখ্রবনি। অনাবসিনা নাগনি হায়বগী কিবদুগা মহিক্তু কৈদৌবগীদমক কিগদৌরিবনো হায়বসিগা খেন্নবা লৈব্রা হংনরিবনি। কিবা য়াদে হায়বা ময়াম অমা, ফ্রন্টনলাইন ৱার্কর ময়াম্মা শিখ্রবনি। মহিক্তু কিদবগী নারিব্রা, নাবদু কিরবসু মহিক্তুদি কৈদৌবগীদমক কিদৌরিবনো হায়বগীরা শিবা ঙম্নখ্রিবসিবু। নারবসু ফরকপা য়াওবসিনা মহিকসি কিবগী ৱাবু লৈরক্ত্রবরা? চুম্নদং শন্দোকপসিদং থিংসি হায়বগী ৱারা? মদুনা য়ারদরা?

ঙাঙনরিবসি মী ওইনা পোক্লুরবা ঐখোয়গী য়াইফনবঙাক্লি। হকচাং ফবনা লন্নি হায়রগা অনাবা অমা লাকশিনবা ঙমদ্রবদি লূপ অমা মুৎখিবা য়াবগী অকিবা অমসু লাকপা য়ারিবনি। মহিকসি কিদে হায়বদগী নারে, নারবদি অনাবদু অমুক কিরক্তরে। মী য়ামজদবা ফুরুপ ওইরিবা ঐখোয়দি হেন্নদুম খরা য়াম্না চেকশিনফম থোক্তবরা? মুখরকপা হায়বসি মশা-মশাদা মুখরক্লবগী শাজৎ য়াওজবা অমা নৎত্রগা নমথবীবদগী মুৎপা ওইবা য়ারিবনি। কিবা হায়বসিসু মুৎচনবগী মরম ওইরক্লিবনি। মহিকসিগী মরক্তা লাই খুরুম্লগা হিংবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা হংনবা তাবনি। লাই খুরুম্লগা মহিকসি হনখিনি কনা হায়বা ঙম্বগে? ৱাখলদা চমন্নবা কয়া য়োক্তুনা থম্বগী হৈনবী অমনা লায়না অমা থেংনবদসু চমন্নবা কয়া পোক্লকপা ওইবসু য়ারিবনি। মহিকসি কিরবসু কিনা নারে, অনাবদু অমুকসু কিদুনা লৈবা য়াদ্রে, লাম্থেংনবা তারকই। ডাক্তর নৎত্রগা লৈঙাক অমদা ইন্থোক্তুনা থম্বনা অচুম্বনি হায়বা য়ারক্ত্রে। থৌদাং অসি লৌনীংদবা মীয়াম ওইরিবমখৈ নাখিবা তারি, শিখিবা তারিবনি। মসি খঙনা লৈঙাক অসিনা মীয়াম্বু শেন্নখিব্রা? লৈঙাক অমনা মীয়াম অদুগী ৱাখল লৌশিংগী থাক খঙহৌবা ঙমদ্রবরা? নারসনু-শিরসনু হায়বমক নৎত্রবসু শেন্নবা ৱাৎপগী মমিদি মুত্থৎপা ঙমদনা হৈনখিবা ৱাঙাঙ অমনা মীয়ামদা তায়নদুনা লৈবনদি অচুম্বা শাবা য়ারক্লোইদৌরি।

ইরোইনা তাল্লবদি চীরক্তা চেনশিল্লু হায়বসু লৈরিবনি। লায়না অসিগা মহিক অসিগা ঐখোয়গা অসুম লৈমিন্নবা তারক্লি হায়নরিবনি। নোংমৈদি কিদে মরূদু কি হায়বদুগা মান্নরক্কদৌরি। মহিক অসিগী মরমচৎ মুন্না খঙদোক্লগা শেগাদা য়েপ্লগা নাখাংদা কিন্না ৱায়দৌবদা মানা হান্ননা নাখাংদা চঙখ্রবদি অদুম নারে। ইরোইগী চীরক্তা লৈবগা মান্নরে, হেক্তা চেনশিল্লুবসু য়াবা নত্তে। শোয়বগা মচি অমনা হেক্তা থিনগদৌরিবনি। ইরোইগা কোরোনাভাইরসকদি মান্নদ্রি, ইরোইদি চাউখ্রবা অয়োকপা য়ুমশানি। অমদুদি লম-শানি (চৈবদু নত্তে), য়ূমদা লৈখৎলকইবনি। অদুনবু খঙহৌদবগী শিখ্রিবা ময়ামসি ফুরুপ অসিগীদি মাঙজবনি হায়বসি মীয়াম হুপ্না খঙমিন্নবা অমা তঙাইফদনা চঙলি। মদুমক খঙদব্রদি মীদু খুন্নাই অমগী য়েক্লবা ওইরকই হায়বসিসু ইশা ইশানা খঙবা ঙমগদৌবনি হায়বনি। পাড়া ওইনা ফাগদৌবনি, খঙদবা কনাবুসু তপ্না ঈংনা তাক্লগদৌবনি। চৈবা-লাওবনা মপা-মমা শকপা য়ারক্ত্রবনি হায়বসিসু ইখঙ খঙনরবনি।

কোরোনাসি ফাগি য়াদেকো, ফাগিদৌনা লৌনবা কয়া য়াম্না য়াওরিবগে? হৌজিকপুদি য়াওদ্রেদা, অহানবগীদুদা ফাগি মানবা য়াওখিবদুদি মশাগী থৌদাং খঙনদবদগীনি। অমনা অমদা পঙতায়দা তায়নবদগী কিদবসু মানবা, খঙদবসু মানখিবনি খল্লি। শেন্নরিবা কাঙবুসু মশাগী মিংচৎ পাম্বগী মওংদা চাকচা-হৈজানবা মানবা য়াওখ্রবনি। লায়না অসিবু লান্না উহন্নবা হোৎনবা মানখ্রবনি, পোলিটিক্সকী লায়না মানখ্রবনি। এটোম বোমদৌনা এরোপ্লেন্দা পুরক্লগা ময়ায়দা থাদরগা অমাংবা চায়বদৌনা চায়খায়খ্রেদনা। নাতোন মেল্লগা শেংবদবু কদায়দগী মনমদু কোকপা ঙমগনি। ৱাজগে হায়বগী লাই (নরান) খুরুম্বা হায়বদু তাখ্রেদনা। হৈরুক খুল্লগা মতম লেনবা হায়বদুদা পেম্থোকপা তারক্লি। শিরিবা অসিদি ফাগিরা, চেকশিন্না হোৎনরি হায়রগা হেক্তা য়ারবা নৎত্রি। হোৎনরিবা ময়ামসি কোভিদ-১৯ কিবগীনি, ঙাঙবদসু ফাগি তৌবা য়াবা নৎত্রি।

কর্ফিয়ু হায়রিবসি টোটেল লোকদাউন হায়রিব্রা। গাড়ী থৌবদা মতোম-মতোমতা কন্না-য়াঙনা থৌনরিসিরা? ফেজোম শেৎলবদি ইয়াদা য়াবরা, লীলাগী খাকি ফুরিৎ খোঙ্গ্রাও ৱায়রগা চৎপদি য়াওদব্রা? থিংবা পাল্লিবসি কনাবুনো? লাওবা লাক্লিবা কাঙবুদা মাস্ক উপ্তুবসু ময়াওই, লাইগী লৈবাক্তগী লাকপদৌনা, 'গ্যান খরা তানরসি' হায়না লাওবসিবু করি হায়রিবনো? মশামক নৎত্রবসু মীওই খরদি গ্যান তারবককা মালহল্লি। মখোয়গী মরক্তগী মীওই খরদি দ্রগ লল্লোনবসু য়াওরম্লে, লম্বীদা মমায় খুমজিল্লগা শেল মুনবসু য়াওরম্লে, য়ু য়োনফমদগী শেল খায়বসু য়াওরম্লে, নোংমৈ লল্লোনবসু য়াওরম্লে, মী হাৎপা ঙম্বসু য়াওরম্লে। মসিদবু লৈবাক খুন্নাই অমা চুম্না শেন্নি হায়বা কদায়দা য়াগদৌরিবনো? কিফম থোকপা কোরোনাভাইরস কিবদগীদি পুলিস কিবনা হেল্লে হায়নরে। মীপূম খুদিংমক চৈনা ফূবা য়াবা, কোয়তান তান্নবগী মওংদা লাওবদি বৃটিশকী মচা-মশু মাল্লকপা য়ারিবনি। চাওখৎপা মী মানবদু লায়রি, অতোপ্পা ফুরুপকী মীশিংগী মমাঙদা খুন্নাই অসিগী থৌগল্লোনগী থাক অমা উখোক্লিবনি হায়বসি খন্থনবা ৱাৎপা মানবগী মমি তাশিল্লকই। অদুবু লাওরিবা মীদি লাইদৌনা শেংলবা, শিংলবা মানশিল্লকইবনি। নুংশিনা মী মরক্তা থৌগল্লোন কায়দনা হায়নবা য়াবনি খল্লি, নুংশিদবদগী ৱা ওইনা লৌনদ্রবরা চিংনরে। থৌদোক খুদিং, ৱাথোক খুদিং মুক্লদুনা লৈনখিবদগী ফনা অফবা ৱা ওইরবসু লৌনীংলক্তবা য়াওরবা জাৎলা। ফূগে হায়না লাক্লবদি য়েক্লবা অদুম ওইখ্রে। ট্রেনিং ফংলবশিংদা খ্বাইদগী হেন্না থাজবা ৱাৎপসি লমদম অসিনা ওইরি হায়গনি। থম্মোয় শেংনা লৈবাক নুংশিবা তুংগী শাংনা উবা মীওইসু য়াওদবদি নত্তে। য়ু য়োনফমদগী শেলদু খায়রগা য়ূমদা পীশিনবা ঙম্বা, লম্বীদগী ফোংনা শেল লৌবা ঙম্বা হায়বসি মীয়াম মমাঙসিদা শিনফমদু য়োকখৎলিব্রা, চাওই হায়বা উৎলিব্রা? খুন্নাইগী ওইনদি করি খল্লি, ৱারেপ লৌনরব্রা, শিনফম মান্নরিবশিং ৱাখল মান্নরব্রা? শেল থোকফমদু থুগায়রগা শেল খায়বা য়ারিবা থবক্তু মাঙহনবদি ফত্তে হায়বা শোয়দনা য়াওরমগনি। শেল থোকফমদু মুত্থৎপবু শিনফমদু য়োকখৎপা ওইগদৌরিব্রা? সনাগী য়েরূম কোকপী য়েনবী হাৎপনি হায়নবা য়াওরোইদ্রা? লীলা, দ্রামা, ফিল্মদা য়ুনিফোর্ম শেৎপশিংবু নাতৈ চাদনা উৎপদু থিংবা ঙমদবা হায়বসি ইশানা য়াজরে হায়বনি।

লো হায়বসি মথোং মরম খঙজিল্লক্তরে, মমাঙথক্তদি লৌ ইঙ্খোলতগী খৎনরম্মী, ঙসিদি লৈঙাক্কী থৌ পুবশিং খৎনবতনা সুপ্রিম কোর্ট য়ৌনরে। লো এনফোর্সশিং এজেন্সীনি হায়বশিংনা দিক্টেটর ওল্লকপদু কোরোনাসু মখোয়গী মতৌদু লৌরক্লে। ভাইরসকী ম্যুটেন্ট ভেরিএন্ট হায়রিবসি শেল চাবসু লৈ, য়াম্না চাদবসু লৈ হায়বগুম্বনি। খুন্নাইগীদমক য়েংবা তারবদি মখোয়সু ভেরিএন্ট অমনি হায়বা য়ারি। খুন্নাই অসিগী মোরেলগী থাক অমা ঙাঙনরিবা-লাওনরিবা ৱাশিংসিদা য়াওরিবনি হায়বসি কাউনবগুম উহন্নরক্লি। এসেমব্লিদা, মীটিংদা, লম্বীদা লাউরিবসি খুন্নাই অসিগী শক্তম অমা উখোকচনবগী পান্বে ওইরিবনি হায়বসিসু কাউবা মানশিল্লক্লি। ট্রেনিংদা থৌগল্লোন য়াওনা তম্বীবা ঙমদ্রবরা হায়বগী চিংনবা পোকহল্লে। ফ্রন্টলাইন ৱার্কর মরক্তসু কোভিদ কেরিয়র য়াওরমগনি হায়বসিসু কাউবা য়াদবা ৱাফমনি। মীপূম খুদিংমক্না চেকশিনগদৌবনি হায়বা তম্বীবদা লাল্লিব্রা, পারা ফাগন্দবরা হায়বসি লৈঙাক্লদি খঙফম থোকপনি। স্কুল, কোলেজ থিংলগা পুলিসশিংনা ওজা মাল্লকপসি এৱ্যেয়র্নেস চথরিবনি হায়বদি য়ানরোই। কোভিদ থিংবদা য়ু থিংবা মানশিল্লকপনা য়ু থক্লখিদবদি য়াম্না ফরবনি, য়ু ফাবদি লেপ্তে হায়বদি য়ু লৈরি হায়বা তাকই। য়ুগা কোরোনা লাইচৎকা তোৎশিন্নরক্লিবনা কনা কনাননো। য়ুদগী হৌরগা লোদি কাং-খোং চাইরে, লো শেম্বশিং কোর্টতা চৎপগী শিনফমদা লৈনখ্রে। কোভিদ-১৯বু কৈদৌবগী কিগদৌরিবনো হায়বসু থবক থৌওংশিংদি কোরোনা কিবগী নত্তে হায়বা য়ারোইদৌরি।

কৈদৌবগী কিগদৌরিবনো হায়বসিদি মীয়াম অমবু কিদবনি, পঙলাও লাওশিনবনি, পঙতৌ তৌশিনবনি হায়নববু য়াওনরক্লবনি। ইখঙ খঙনবা ৱানি নোংমা নোংমগী অসুম হেনগৎলক্লিবসি অনীমকনি। ●